পেগাসস স্নুপগেটকী মতাংদা থিজিন্নবা পেনেল শেম্বগী শিব সেনানা মমতা থাগৎখ্রে

মুম্বাই, জুলাই ২৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং অতৈ লৈবাক কয়াদা ৱাথোক ওইরবা পেগাসস স্নুপগেটকী মতাংদা ইনক্কারি চথহন্নবা কম্মিসন অমা শেম্বগীদমক ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিবু মহারাষ্ট্রগী রুলিং মখা ভিকাস অঘাদিগী মীচঙ ওইরিবা শিব সেনানা শগোলশেন নুমিৎতা থাগৎখ্রে।

স্পাইগেট স্কেম অদুবু জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি অমা শেন্নগা থিজিনহনগদবনি হায়বা ওপোজিসনগী দিমান্দদা থৌশাদবগী ভার্তিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)বু চৈবগা লোয়ননা শিব সেনানা বেনর্জিগী খোঙথাং অদু চুমই হায়খি।

পার্টিগী পাউচেদা ইবা ইদিটোরিএলগী খুথাংদা সেনানা হায়, মিনিষ্টরশিং, ওপোজিসন, জুদিস্যারি, জর্নেলিষ্টশিং, উকিলশিং অমসুং অতৈ সিতিজনশিংবু লোন্না য়েংশিনবা হায়বসি মীগী প্রাইভেট লাইফতা য়েংশিনবা থোকই। মসি ইকাইবা নাইদবগী মওং ওইবদা নত্তনা ক্রাইমনি।

অসিগুম্বা থবকশিংদা আই বি, আর এ দব্লিয়ু, সী বি আই, ঈ দি, এন সী বি, সী বি দি সীনচিংবা ওর্গনাইজেসন খরদমক চেন্নবনা পেগাসসকী ৱাফম অপূনবসি লৈবাক অসিগী নেসনল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনৈ। পেগাসসকুম্বা ইজরেলি এজেন্সী অমনা লৈবাক অসিদা অসিগুম্বা থবক অমা তৌরকপা অসিনা লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিদা শোকহল্লকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং সেন্টরনা অরুবা ৱাফম অসিদা থৌশাদনা লৈথোক্লি। সেন্টরনা লৈবাক মীয়ামদা করিনো হায়বদু খঙহনগদবনি।

সেনানা মখা তানা হায়, সেন্টরনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা কম্মিসন অমা শেম্লক্কদ্রা হায়না য়েংলকপদু হৌজিক ফাওবা হীরম অসিগী মতাংদা খোঙথাং অমৎতা লৌখৎলকপা লৈতে। মমতা বেনর্জিগী মখাদা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা স্পাইগেট অসিবু থিজিনবা অহানবা ওইরি। মহাক্কী খোঙথাং অসি চুমই। মসিনা সেন্টরবু নীকহনবদা নত্তনা অতৈবুসু মীকপ থোকহল্লগনি হায়না সেনানা মখা তাখি।

নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা মহারাষ্ট্র কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট নানা পাটোলে অমসুং পার্টিগী এম পি সুরেশ বালুভাউ ধানোরকারনা চীফ মিনিষ্টর উধাব থাকরেদা থবক্তগী পোত্থারবা জজশিংগী কম্মিসন অমা শেমদুনা স্পাইপ্যের স্কেন্দল অসিবু থিজিনহন্নবা দিমান্দ তৌখ্রবনি।

ফ্রাঞ্চকুম্বা অতৈ লৈবাক কয়ানা পেগাসস স্কেন্দলগী মতাংদা থিজিন্নবগী খোঙথাংশিং লৌখৎখ্রবসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ৱাফম অসিবু লুনা খন্দনা লৈরি হায়না এদিটোরিএল অদুদা পনখি।

পেগাসসনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংনা ৱাথোক অসিবু থিজিন্নবা কম্মিসনশিং শেম্লবসু সেনানা আপীল তৌখ্রে।

রাকেশ অস্থানাবু পুলিস কম্মিস্নার হাপখিবগী মায়োক্তা দিল্লী এসেমব্লীদা রিজোল্যুসন পাস তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৯ (এজেন্সী): সেন্টরনা রাকেশ অস্থানাবু দিল্লী পুলিসকী কম্মিস্নর হাপনবা ৱারেপ লৌখিবগী মায়োক্তা দিল্লী এসেমব্লীনা শগোলশেন নুমিৎতা রিজোল্যুসন অমা পাস তৌখ্রে।

সেন্টরগী এপোইন্টমেন্ট অদুবু য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা এ এ পিগী লেজিসলেটরশিংনা ইস্যু অসি নোংজু মীফমগী অহানবা নুমিৎতা দিল্লী এসেমব্লীগী রুল-৫৫গী মখাদা পুখৎখি। হাউসতা ইহান হান্না ইস্যু অসিগী মতাংদা ৱা ঙাঙখিবা এ এ পিগী এম এল এ সঞ্জিভ ঝানা হায়খি, রাকেশ অস্থানাবু দিল্লী পুলিসকী অনৌবা কম্মিস্নার হাপ্পা হায়বসি সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্ট ভাইওলেট তৌই।

বুরারিদগী কারকপা এ এ পিগী এম এল এ অসিনা হায়, মতম লোইগদবা থা তরুক ফাদ্রবা ওফিসরশিং পুলিসকী অচৌবা ফম অসি পায়হনবা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা কুমজা ২০১৯দা রুলিং পীখি। অস্থানাবু কুমজা ২০১৯দা সী বি আইগী চীফ ওইহন্নবা খন্নখি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিগী তোপ কোর্ট অসিনা মান্নবা রুলিং পীদুনা মহাকপু রুলিং পীদুনা মহাকপু ফম অসি পায়হনবা থিংখি।

এসেমব্লীদা ইস্যু অসিগী মতাংদা ঙাঙখিবা এ এ পিগী অতৈ লেজিসলেটরশিংদি অখিলেশ পাটি ট্রিপাথি, সোমনাথ ভার্টি অমসুং শাট্যেন্দর জে ইননি।

অমরোমদা, সেন্টরনা অস্থানাদা পুলিস কম্মিস্নারগী ফম শিন্নবগী ৱাফম অসি ওপোজিসন লিদর অমসুং বি জে পিগী সিনিয়র লিদর রামভীর সিংহ বিধুরিনা শৌগৎখি। অস্থানানা মতম শাংনা সর্ভিসতা লৈরকপদা শিংথানিংঙাই ওইরবা থবক কয়া তৌখি। মহাক কুমজা ২০১৯দা প্রসিদেন্ট এৱার্দ পীখি হায়না বিধুরিনা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা হায়, হাউস অসিনা রাকেশ অস্থানাবু দিল্লী পুলিস কম্মিস্নার ওইনা তরাম্না ওক্কদবনি। মহাক্কী সর্ভিস মতম অমসুং থবকশিং ওফিসরশিংনা তমজনিংঙাই ওই। মহাক্না দিল্লীবু হেন্না ফগৎহন্নবা থবক তৌরক্কনি। অস্থানা অরান অহুই তৌবশিং য়াদবনা থম্মোয় শেংবশিংনা মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট অসিদা ৱারোইদবনি।

অস্থানানা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী দিরেক্টর জেনরেলগী ফমদগী পোত্থাগদবা নুমিৎ হুম্নি মাঙওইননা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা মহাক দিল্লী পুলিসকী অনৌবা কম্মিস্নার খল্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

অনীশুবা পোষ্ট মোর্টেম পাঙথোক্লবা অশিবা হকচাং লৈনুংদগী লৌথোকখ্রে

মাইনপুরি, জুলাই ২৯ (এজেন্সী): অনীশুবা পোষ্ট মোর্টেম পাঙথোক্লবগীদমক্তা য়ু পিগী মাইনপুরি পুলিসনা নুপা অমগী হকচাং লৈনুংদগী লৌথোকখ্রে।

নুপা অদুনা শিখিবা থা অমা মখায় কান্নরগা মহাক্কী হকচাং অদু লৈনুংদগী অমুক লৌথোকখিবনি। নুপা অদুবু হাৎপগী মরাল শীরিবা মীওইশিংনা হায়বদগী ফুমখ্রবা হকচাং অদু লৈনুংদগী অমুক হন্দোকখিবনি। মীওই অদু মথন্তা শিজখিবনি হায়না এক্যুজনা ক্লেইম তৌরি।

মশাগী চহী ৩২ শুরবা শামশদ হৌখিবা জুন ১৫দা তোঙানবা কাঙলুপকী ওইবা মহাক্না য়ুমলোন্ননা লৈবা মীওইশিংনা ফিভম থীনা ফুবগা লোয়ননা মখৌরি মেৎলগা হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোক্লখি। শামশদনা মহাক্কী নুপীবু ফুবদা মখোয়না খামখি হায়নসু এক্যুজশিংনা ক্লেইম তৌবা লৈখি। ভিক্টিমগী মনাওনুপানা কুরা পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎপদগী মদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মী হাৎপগা মরী লৈননা মীওই মরি বুক তৌখি।

ভিক্টিম অদুগী অহানবা পোষ্ট মোর্টেম রিপোর্টতা মহাক্না শিরিবদু খৌরি চরম মেৎথৎতুনা শ্বর হোনবা ঙমদবদগীনি হায়না পনখি।

অদুম ওইনমক এক্যুজশিংনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট মহেন্দ্র বহাদুর সিংহদা ৱাকৎতুনা অনীশুবা পোষ্ট মোর্টেম পাঙথোকহনবিনবা হায়জখি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা মহাক্কী ওর্দরদা দোক্টরশিংগী পেনেল অমনা অনীরকশুবা ওইনা পোষ্ট মোর্টেম পাঙথোক্লবা অমসুং প্রোসিজর অদু ভিদিও রেকোর্দিং তৌনবা হায়খি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা অগ্রা পুলিসনা চহী অহুমগী নুপামচা অমগী হকচাং লৈনুংদগী অমুক হন্দোকখ্রবনি। নুপামচা অদু ব্লেক মেজিককী থৌরমদা হাৎখিবনি হায়না থাজনখি।

এম্বুসতা শিখিবশিংগী ইমুংগী মীওই য়ু পি পুলিস ফোর্সতা চঙখ্রে

লক্ষনৌ, জুলাই ২৯ (এজেন্সী): পুলিসনা হাৎখ্রবা গেংষ্টর বিকাষ দুবেনা হৌখিবা চহীগী জুলাইদা পাংথোকখিবা এম্বুশ অমদা শিখিবা পুলিস পর্সনেল অনীগী খ্বাইদগী নক্লবা ইমুংগী মীওইশিং য়ু পি গভর্ণমেন্টনা থবক হাপখ্রে।

বিক্রুদা থোকখিবা এম্বুশতা এইদশিংগা লোয়ননা শিখিবা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস দেভেন্দ্র মিশ্রাগী মচানুপী বাইষ্ণবি বিশ্রা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ওফিসর ওন স্পেসল দ্যুটি (ও এস দি) হাপ্লে। থৌদোক অদুদা শিখিবা কন্সটেবল ববলু কুমারগী মনাওনুপা উমেশ কুমারবুনা কানপুর পুলিস কম্মিস্নরেটতা ত্রেনি কন্সতেবল ওইনা চঙহনখ্রে।

বাইষ্ণবি মিশ্রানা ও এস দি ফম এপ্লাই তৌখি। চহি অমা চুপ্পা প্রোসেস তৌরবা মতুংদা মহাক এপোইন্টমেন্ট ফংখি। অহানবদা বাইষ্ণবিবু পুলিস হেদক্কারটর্সতা পোষ্টিং পীখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মহাক কানপুর পুলিস কম্মিস্নরেটতা ত্রান্সফর তৌরে। মহাক পুলিস ওফিসতা য়াওবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা ত্রেনিং পীরি।

বিক্রুগী এম্বুস অদু থোকখিবা মতমদা কন্সটেবল ববলু কুমার বিথুর পুলিস ষ্টেসনদা তাখি। ববলুগী মনানুপা উমেশনা গভর্ণমেন্টকী ফম অমা এপ্লাই তৌখি।

ফিজিকেল অমসুং মেদিকেল ইগজামিনেসনদা মায় পাক্লবা মতুংদা ষ্টেট পুলিস ফোর্সতা খল্লে। মহাক কানপুর পুলিস কম্মিস্নরেটতা পোষ্টিং পীরি।

লক্ষনৌদা সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা এম্বুশ অদুদা শিখিবা অতৈ পসর্নেলশিংগী ইমুং মনুংদসু থবক থুনা পীরগনি। হৌখিবা চহীগী জুলাইদা কানপুরগী চৌবেপুরদা লৈবা বিক্রু ভিলেজদা গেংষ্টর দুবে ফাবা লাকখিবা পুলিস টিম অমদা য়ুমথক্তগী নোংমৈ কাপশিন্দুনা চথখিবা এম্বুশতা পুলিস পার্সনেল ৮ শিখি। গেংষ্টর দুবে জুলাই ১০গী অয়ুক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা পুলিসনা হাৎখি।

মতৈ-মনাও হাৎলম্লে, অঙাংদি হাৎলমদ্রে

লক্ষনৌ, জুলাই ২৯ (এজেন্সী): উত্তর প্রদেশকী খুঙ্গং অমদা মতৈ মনাও অমা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মখোয়গী ময়ুমদা হাৎলম্লে।

মতৈ-মনাওগী হকচাংশিং অদু তোঙান তোঙানবা ফমুংশিংদা লৈরম্বা থেংনখি। মখোয়গী খৌরিদা থাঙনা লেনবগী মমি লৈরমখি। থা তরাখক্তা ঙায়রিবা মখোয়গী মচানুপা অশোয় অঙাম য়াওদনা লৈমায়দা উপ্পল্বা থেংনখি।

থৌদোক অদু মনি কা পুরা মাজ্রা কৌবা খুঙ্গং অমদা থোকখিবনি।

সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (ট্রান্স গঙ্গা) ধৱাল জাইশৱালনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা মতৈ মনাওগী হকচাংশিং ঈ মরক্তা তাদুনা লৈবা মখোয়গী মচিন-মনাওশিংনা থেংনখি অমসুং মখোয়না পুলিসতা পাউ পীরকখি। করিগীদমক্তা মখোয়বু হাৎলল্লিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। পুলিসনা কেস অসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌরে।

ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিং য়াওনা সিনিয়র পুলিস ওফিসলশিং মফম অদুদা চঙশিনখি অমসুং ইনভেষ্টিগেসন পাঙথোকখি।

মীহাৎপশিংনা ময়ুমদা হাৎলল্লবশিং অদু দেব রঞ্জন (৩০) অমসুং মহাক্কী লোয়নবী রঞ্জনা (২৮) কৌই।

লোনগা মরী লৈনবা নমথাক্কী কেসতা এম্বিএন্স মোলগী মপু ফারে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৯ (এজেন্সী): লুপা ক্রোর ২০০গী বেঙ্ক লোনগা মরী লৈনবা নমথাক্কী কেস অমদা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেটনা শগোলশেন নুমিৎতা গুরুগ্রামদা লৈবা এম্বিএন্স মোলগী মপু ফাখ্রে।

এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেটনা ফারবা রাজ সিংহ গেহলোট দিল্লীদা লৈবা ঈ দি কোর্ট অমদা পুথোক্কনি। এম্বিএন্স গ্রুপকী শরুক অমা ওইরিবা মোল অসি কুমজা ২০০৭তা শাখি। গ্রুপ অসিগী ৱেবসাইটকী মতুং ইন্না, মোল অসিদা ষ্টোর ২৩০ লৈ। গেহলোট চারটর্দ একাউন্টেন্ট অমনি হায়নসু ৱেবসাইট অদুদা পল্লি।

ঈ দিগী মতুং ইন্না, দিল্লীগী য়ামুনা স্পোর্টস কমপ্লেক্স মনাক্তা ফাইভ-ষ্টার লীলা এম্বিএন্স কনভেসন্সন হোটেল শাখিবগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৯দা ঈ দিনা গেহলোটকী মায়োক্তা মনি লোন্দরিংগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি। প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্টকী মখাদা থিজিনবদা গেহলোট অমসুং মহাক্কী এসোসিএটশিংনা মখোয়না কন্ট্রোল তৌবা কম্পেনি কয়াগী খুথাংদা হোটেল প্রোজেক্ট অদুগীদমক্তা বেঙ্ক খরনা পুন্না সেঙ্কসন তৌখিবা শেনফমগী য়াম্লবা শরুক হাইহৎখি হায়বসি খঙলকখি হায়না এজেন্সী অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ꯊꯥꯒꯠꯄ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙনাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খুৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/7035/15/7-15/9

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

Location	Cases	Recovered	Deaths
Manipur	**95,824 +1,003**	**83,392 +871**	**1,510 +12**
Maharashtra	62.8L +6,857	60.6L +6,105	1.32L +286
Kerala	33.3L +22,056	31.6L +17,761	16,457 +131
Karnataka	29L +1,531	28.4L +1,430	36,456 +19
Tamil Nadu	25.5L +1,756	25L +2,394	33,995 +29
Andhra Pradesh	19.6L +2,010	19.3L +1,956	13,312 +20
Uttar Pradesh	17.1L +87	16.8L +116	22,755 +1
West Bengal	15.3L +815	15L +811	18,109 +14
Delhi	14.4L +67	14.1L +61	25,049 +3
Chhattisgarh	10L +164	9.86L +327	13,520 +1
Odisha	9.73L +1,703	9.51L +1,699	5,703 +69
Rajasthan	9.54L +30	9.44L +40	8,953
Gujarat	8.25L +28	8.14L +39	10,076
Madhya Pradesh	7.92L +11	7.81L +18	10,513 +1
Haryana	7.7L +32	7.59L +28	9,627 +3
Bihar	7.25L +76	7.15L +80	9,639
Telangana	6.43L +657	6.3L +578	3,793 +2
Punjab	5.99L +65	5.82L +84	16,286 +5
Assam	5.63L +1,276	5.43L +1,791	5,201 +21
Jharkhand	3.47L +27	3.42L +36	5,126 +1
Uttarakhand	3.42L +60	3.34L +47	7,361 Jammu and
Kashmir	3.21L +160	3.16L +144	4,376 +1
Himachal Pradesh	2.05L +116	2.01L +84	3,520 +2
Goa	1.71L +81	1.67L +127	3,142 +2
Puducherry	1.21L +97	1.18L +96	1,792 +1
Tripura	77,788 +376	73,177 +267	750 +2
Meghalaya	63,014 +541	56,510 +409	1,048 +8
Chandigarh	61,943 +5	61,098 +6	809
Arunachal Pradesh	47,142 +342	42,617 +325	224 +3
Mizoram	36,407 +1,110	24,657 +424	140
Nagaland	27,586 +114	25,684 +78	552 +2
Sikkim	25,856 +240	22,406 +198	333
Ladakh	20,320 +6	20,049 +12	207
Lakshadweep	10,155 +6	10,029 +11	50 +1
Andaman and Nicobar Islands	7,531 +1	7,395 +6	129

ইন্দিয়াগী কৈ মশিং চহী মরি ঙনখৎনা শরুক অনী হেনগৎখি : পি এম মোদি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী কৈ মশিং সেন্ট পিটর্সবর্গ দিক্লারেসন ওফ টাইগর কঞ্জার্বেসননা পীবা মতমদগী চহী মরি ঙনখৎনা শরুক অনী হেনগৎলে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্টরনেসনল টাইগর দেগা মরী লৈননা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

জুলাই ২৯ অসি পুৱারীগা শাগোন্নরগদবা তারিখনি। কুমজা ২০১০গী নুমিৎ অসিদা রসিয়াদা পাঙথোকখিবা সেন্ট পিটর্সবর্গ দিক্লারেসন টাইগর সম্মিটতা লৈবাক কয়ানা এগ্রীমেন্ট অসি খুৎয়েক পীনখি।

সেন্ট পিটর্সবর্গ এগ্রীমেন্ট অদুগী মরু ওইবা ৱাফমদি মালেমদা কৈগী মশিং হন্থরকপা অমসুং কৈগী মহৌশাগী লৈফমশিং হন্থহন্দনা থন্বীবগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবা অসিনি।

সম্মিট অদুদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মীহুৎশিংনা মরুওইনা কৈ লৈবা লৈবাকশিংনা কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা কৈগী মশিং শরুক অনী হেনগৎহন্নবা হোৎনগনি হায়না লাউথোকখি।

ইন্টরনেসনল টাইগর দেগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ত্বিট কয়া পরিং নাইনা থাগৎতুনা ৱাইল্ডলাইফ লভরশিং মরু ওইনা কৈবু য়োকখৎপীবা পাম্বা মীওইশিংদা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

মালেমগী কৈ অপুনবগী চাদা ৭০ হেন্না লৈরিবা লৈবাক অসিনা কৈগী লৈফমশিং মখোয়দা খুদোংথীবা অমত্তা নংহন্দনবা মওংদা শেমগৎকনি।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট ১৮দা টাইগর রিজার্ব ১৮ লৈ। মমাঙদা কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা টাইগর সেন্সসনা কৈগী মশিং হেনগৎলে হায়বসি উৎখি। ইন্দিয়ানা সেন্ট পিটর্সবর্গ দিক্লারেসন ওফ টাইগর কঞ্জার্বেসননা পীবা মতমদগী চহী ৪ ঙনখৎনা কৈ মশিং শরুক অনী হেনগৎহনবা ঙমখি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

কেবিনেট চাউথোকপগী ৱাফম খন্নখিরোই : বোম্মাই

বেঙ্গলুরু, জুলাই ২৯ (এজেন্সী): ন্যু দিল্লীদা লুচিংবশিংগা অহানবা ওইনা উনবা মতমদা কেবিনেট চাউথোকপগী ৱাফম খন্নখিরোই হায়না কর্ণাতাকাগী চীফ মিনিষ্টর বাসাভারাজা বোম্মাইনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর বোম্মাইনা হায়খি, মহাক্না সেন্ট্রেল লিদরশিংগা উনবগী খুদোংচাবা পীবিনবা হায়জখ্রে। অদুনা মহাক ইরায় নুমিৎতা ন্যু দিল্লী পাংবা য়াই।

মহাক্না মখা তানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা মঙোন্দা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোরকখি। মহাক্না মখোয়গা লোয়ননা পার্টিগী প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দা অমসুং অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা উন্দুনা তৌবিমল খঙবা উৎকনি।

মহৌশানা কেবিনেট শেম্বা হায়বসি অরুবা অমা ওইদুনা লাক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা পার্টিনা অচুম্বা ৱারেপশিং লৌরক্কনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

সোর্ছশিংনা হায়রিবদি, কেবিনেট চাউথোকপগী অয়াবা পীবদা হায় কম্মান্দনা মতম খরা লৌগনি। হান্না মরু ওইবা পোর্টফোলিওশিং পায়রিবা সিনিয়র লিদর কয়া হন্দক্কী এক্সপান্সন অসিদা য়াওদবা য়াই।

চীফ মিনিষ্টর বোম্মাই শগোলশেন নুমিৎকী অথেঙবদা করৱার দিষ্ট্রিক্টকী ইচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং য়েংশিনগনি। মহাক বেঙ্গলুরুদগী হুব্লিদা থুংলবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ইচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চৎকনি।

মেদিকেল এদমিসনদা ও বি সী অমসুং ঈ দব্লিয়ু এসতা রিজার্বেসন পীরগনি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৯ (এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া কোটা (এ আই ক্যু) স্কিমগী মখাদা মেদিকেল কোর্সশিং তম্নবগী মিং চনবদা অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস (ও বি সী)দা রিজার্বেসন চাদা ২৭ পীনবা অমসুং ইকনমিকেল্লি ৱিক্কর সেক্সন্স (ঈ দব্লিয়ু এস)তা রিজার্বেসন চাদা ১০ পীনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা শগোলশেন নুমিৎতা ৱারেপ লৌখ্রে।

চৎলিবা একাদেমিক চহী (২০২১-২২)দগী অন্দরগ্রেজ্যুএট অমসুং পোষ্ট গ্রেজ্যুএট মেদিকেল অমসুং দেন্টল কোর্সশিং হায়বদি এম বি বি এস, এম দি, এম এস, দিপ্লোমা, বি দি এস অমসুং এম দি এস তম্বগা মরী লৈননা রিজার্বেসন পীবা হৌবা য়ানবা মিনিষ্ট্রি অসিনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ২৬তা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মরী লৈনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিশিংদা মতম শাংলক্লবা ইস্যু অসিগী মতাংদা ইফেক্টিভ সোল্যুসন অমা পুরক্লবা দিরেক্সন পীখি।

মোদিনা পরীং নাইনা থাগৎপা ত্বিট খরগী খুথাঙদা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা ওল ইন্দিয়া কোটা স্কিমগী মখাদা চৎলিবা একাদেমিক চহীদগী হৌরগা মেদিকেলগী কোর্সশিং তম্বদা ও বি সী অমসুং ঈ দব্লিয়ু এসকী মহৈরোয়শিংদা রিজার্বেসন পীবগী য়াম্না মরু ওইবা ৱারেপ অমা লৌবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 48/SDC/Lil **29th July, 2021**

1. Ranjina W/o Late Zulfikar
2. Musaraf S/o Late Zulfikar
3. Albat S/o -do-

All are resident Lilong Ushoipokpi
-Vs-
Late Md. Zulfikar S/o Sameruddin of Ushoipokpi

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
29th July, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুন ১৭-চাওবোক অরিবা পাট্টা নং ৪৩৩ অং অনৌবা পাট্টা নং ৪৬০/১৪৮৫ দাখল তৌরিবা দাগকী নং ২২৮১/২৫৭৩গী .০২০১ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃতু ওইখ্রবা পাট্টাদারগী মমিংদা পানবা ইঙ্খোল অসি মহাক্কী লোয়নবী অমদি মচাশিংগী মমিংদা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা উক্তা কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কেস মখা চথুরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Lilong, Thoubal District, Manipur
HL-P/6368/30

মিল্লিটরি ওফিসলশিং উন্নখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৯ (এজেন্সী): য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্তোনি ব্লিনকনগী ইন্দিয়া খোঙচৎকী মতুংদা শগোলশেন নুমিৎতা য়ু এস স্পেসল ওপরেসন কমান্দগী কমান্দর জেনরেল রিচার্দ দি ক্লার্কনা ন্যু দিল্লীদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স অসুং মিল্লিটরি ওফিসলশিংগা উনখ্রে।

ক্লার্কনা ইন্দিয়ান ওফিসলশিং উনরিবদু রুটিন খোঙচৎকী শরুক অমনি। মহাক্না অসিগুম্বা খোঙচৎশিং এসিয়াগী অতৈ লৈবাকশিংদসু পাঙথোক্লি। ক্লার্কনা খোঙচৎ অদু নেসনল ৱার মেমোরিএলদা রীথ অমা কৎতুনা লৈবাক্কীদমক্তা মথ্বায় থাখিবা ইন্দিয়াগী লাম্মীশিংদা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা হৌখি।

থৌরম অদু লোইহ্রবা মতুংদা ক্লার্কনা ইন্দিয়াগী দিফেন্স ওফিসলশিংগা উনখি। মখোয়না দিফেন্স পার্টনরসিপ হেনগৎহন্নবা লৈবাক অনীনা করম্না মখা তানা খুৎশম্ননা হোৎনমিন্নগদগে হায়বা ৱাফম খন্নখি।

ক্লার্কনা হায়খি, ইন্দো-পেসিফিকতা য়ু এস-ইন্দিয়া পার্টনরসিপ অসি য়াম্না মরু ওই। ঐখোয়গী টিমৱার্ক অসিনা লমদম অসি শীন থুংনা সিক্যুরিটি পীরি।

এক্সর্সাইজশিং পাঙথোক্তুনা পুন্না ত্রেনিং তৌবা ওইরবসু নৎত্রগা অতৈ হীরমশিংদা কোওপরেসন পীনবা ওইরবসু য়ু এস অমসুং ইন্দিয়াগী মরী চেৎলি অমসুং মরী অসি অমুক্কা হেন্না চেৎলকখিগনি। ইন্দো-পেসিফিক রিজনবু ফ্রী অমসুং ওপন ওইহনবদা মতেং পাংবীবগীদমক্তা ঐহাক্না ইন্দিয়াগী দিফেন্স টিমবু থাগৎলি হায়না ক্লার্কনা ফোঙদোকখি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, LAMSANG

Ref. Mutation Case No. 357/SDC/IW-L/2021

Ahongshangbam Mandakini Devi W/o (L) A. Pholen Singh of Uripok Achom Leikai A/P Khaidem Leikai -Petitioner
-Vs-
Late Ahongshangbam Pholen Singh S/o (L) Pishak Singh of Uripok Achom Leikai. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
29/07/2021

U/S 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অহোংশাংবম ফোলেন সিংহ পীতা মৃত পিশক সিংহ সাং উরিপোক অচোম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৬২-খা-লাইরেনকাবীগী অনৌবা পাট্টা নং ৫৬/৭৫ দাগ নং ১১৬ এরিয়া ১.০৮ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Lamsang
HL-P/6367/30